হৌখিবা নবেম্বর ১৫গী নুমীদাংদা মশাগী দ্যুটি লোইরগা যুমদা হনখিবগী লম্বীদা গাড়ী এক্সিদেন্ট থোকপদগী শোক্তুনা লায়েংদুনা লাকখিবা পাউমী থোকচোম রোকিদা এম এল এ জয়কিষননা শেলগী মতেং পীখিবা

ককচিং দিষ্ট্রিক্তকী কৈরক সেকমাই বরাজ দাম মনাক্তা লৈবা বেকৱার্দ দিভেলপমেন্ট সোসাইটি (বি দি এস) চিলড্রেন হোম ফোর গার্লসতা ওনলাইন সোপিং ষ্টোর ‘কেভিস কল্লেক্সন’গী অনীশুবা মপোক কুমওন নুমীৎকা মরী লৈননা তেংবাঙখিবা

BHARATIYA JANATA
MANIPUR PRADE

লাক্লিবা এসেম্বলী মীখলদা বি জে পিনা চাউনা মায় পাকহন্ননবগী পান্দমদা কোন্থৌজম এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা নম্বোল ফোইজিং অৱাং লৈকায়দা বি জে পি কোন্থৌজম মন্দলগী পোল্লিং বুথ ১৮/৩৯গী পেজ ইন-চার্জগী মীফম

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু)না শীন্দুনা সেক্রিফাইস এন্দ সর্বাইব টুগেদর হায়বা থীমদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেভেল ওপন মণিপুর পেট্রিওটিক সোলো সোং চাংদম্নবদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা খুৎশিন্নখিবা

এ এস এস য়ু : সোরা হায় স্কুল সেসন হৌবা য়ানবা শেমজিনবীদ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): ককচিং দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না লৈবা সোরা খুলগী অমত্তা ঙাইরবা লৈঙাক্কী হায় স্কুল সোরা হায় স্কুল, সোরা অসি সেসন ২০২২-২০২৩গী সেসন হৌবা য়ানবা শেমজিনবীদ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ওল সোরা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এ এস এস য়ু)না লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

ঙসি ওল সোরা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী থৌমীশিংনা পাউমীশিংগা লোয়ননা সোরা চীং ৱাংমদা লৈবা সোরা হায় স্কুলগী নৌনা শাবা লোইখ্রবা অমসুং শাবা লোইশিন্দ্রিবা স্কুলগী শঙশিং য়েংশিনমিন্নরবা তুংদা ওল সোরা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট এম দি অদিল শাহিদনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকপদা, কুমজা ২০১৩দা সোরা জুনিয়র হায় স্কুলবু সোরা হায় স্কুলগী থাক্তা ওনখৎপীখি। হায় স্কুল ওনখৎলকখ্রবা মতুংদা কুমজা ২০১৫দা মহৈরোয় ৩০০ রোম লৈরমখি। অদুবু স্কুল শঙ মতিক চানা লৈঙাক্না শেম্বীদবনা ওল্লকপা চহীদা অমুক মহৈরোয় মশীং খঙহন হন্থখি। সোরা হায়রিবা খুঙ্গং অসি লায়রবা ইমুংনা অয়াম্বা ওইবনা অরাপ্পা ককচিং য়ৌনা নৎত্রগা লন্নাইগী স্কুলশিংদা চৎতুনা মহৈ তম্বা ঙমদবনা অয়াম্বনি।

সোরা চীং ৱাংমদা লৈরিবা সোরা হায় স্কুলগী শঙ অসিগী ক্লাস রুম খরা লৈঙাক্না শাবা হৌদুনা লোইখিবসু য়াওখ্রে। শাবা হৌরল্লগা লোইশিনদনা লৈবা খরসু য়াওরি। শাবা লোইশিনবীদনা লৈরিবা ক্লাস রুমশিং অসিসু ঙাকপী শেনবীনবা, চৌকিদার লৈতবা অমসুং স্কুল অসিগী মতিক চাবা ফেন্সিংনচিংবা লৈত্রিবনা শানৈ-য়ুনৈফম ওইদুনা লৈরম্বগী মওংদা লৈরম্বসু ঙসিগী য়েংশিন খোঙচৎ অসিদা থেংনখি। স্কুল অসিগী মথৌ তাবা নুপী অমসুং নুপাগী মপান থোকফম, খোঙ হান্ফমসু অমত্তা শাবীদদুনা লৈরি।

মণিপুর লৈঙাক্না মহৈ-মশিনগী লমদা ফগৎহন্নবা স্কুল ফগৎহনসি হায়বনচিংবা মিসন কয়া পায়খৎলিবনা মরম ওইরগা সোরাগী অমত্তা ঙাইরবা সোরা হায় স্কুল অসি সোরাগী লৈরিবা লুচিংবশিং অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙ অমদি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা মীৎয়েং চঙবীদুনা অথুবা মতমদা শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং অসি লোইশিনবীদুনা কুমজা ২০২২-২০২৩গী সেসনগী মহৈ তম্বা হৌহন্নবা শীনবীয়ু। ওল সোরা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা হায়জরিবা অসিদা লৈঙাক্না তাবীদ্রবদি ওল সোরা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা সোরাগী মীয়ামগা লোয়ননা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিন্নবা শেম-শাদুনা লৈরে হায়নসু ওল সোরা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট এম দি অদিল শাহিদনা ফোঙদোরক্লি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা ওল সোরা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী ভাইস প্রসিদেন্ট অমর, সেক্রেটরি নৱাস শরিপ অমদি থৌমীশিংসু শরুক য়াখি।

অৱাবা তারবশিংদা হেন্না মতেং পাংবা ঙম্মনবা মীয়াম্না পাঙ্গল থৌনা হাপ্পীয়ু : লাইশ্রম মিনাবন্ত

In the presnce of
SHRI LAISHRAM MEENABANTA SINGH
Vice President, BJP Manipur Pradesh
Organised by : AYJNISH(D) Regional Centre, Bhubaneswar - Odisha
Venue ; Community Hall, Achom Leikai Uripok
Date : 24th November, 2021 (Wednesday)
Supported by : Uripok Kendra Welfare Association
ALI YAVAR JUNG NATIONAL INSTI OF SPEECH & HEAR SABILITIES (D)

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী দি ঈ পি দব্লিয়ু দিগী মখাদা অলি য়াবর য়ং নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পিচ এন্দ হিয়রিং দিসএবিলিটিজ-দি (এ ৱাই জে এন আই এস ঐচ-দি) অমদি বি জে পি উরিপোক মন্দলনা পুন্না শীন্দুনা ঙসি উরিপোক অচোম লৈকায়গী কম্যুনিটি হোলদা না তাবগী পাঙ্গল শোল্লবা মীওইশিংগীদমক নোংমগী ওইবা হিয়রিং মেদিকেল চেক-অপ অমদি হিয়রিং এইদ য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইবদা নত্তনা লাক্লিবা এসেম্বলী মীখলদা উরিপোক এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা লাইশ্রম মিনাবন্তনা হায়খি, ঙসি উরিপোক এ সীদা লৈরিবা লায়রবা অমদি অৱা-অনা তারবা না তাবগী পাঙ্গল শোল্লবা অহলশিংগী হিয়রিং মেদিকেল চেক-অপ তৌদুনা হিয়রিং এইদ পীরগা অঙভম্বা খরা মতেং পাংজবা ঙম্বা অসি মহাক্কী ওইনা লাইবক ফবনি। তুংদা লাক্কদবা মতমশিংদসু তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌবা য়াবা তেংবাঙ লৌরগা উরিপোক এ সীগী মীয়ামগী য়াইফন্ননবা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎকনি। অৱাবা তারবশিংদা হেন্না মতেং পাংবা ঙম্মনবা এ সী অসিগী মীয়াম্না পাঙ্গল থৌনা হাপ্পীয়ু। বি জে পিগী ওইনা লায়রবা অমদি অৱা-অনা তারবশিংগী থৌগল তৌবা হায়বসি পার্টিগী চৎনবী অমদি তৌফম থোকপা থৌদাংনি। ঙসি হিয়রিং মেদিকেল চেক-অপ তৌবা অসিদা শরুক য়াবা ঙমহৌদ্রবশিংনসু মথং পাঙথোকপদা শরুক য়াবীয়ু। লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লীচিং মখাদা লৈঙাক্না আয়ুশমন ভারত অমদি সী এম ঐচ টিগী হেল্থ কার্দশিং পীদুনা অনা-লায়েংগী লমদা মীয়ামগী য়াইফননবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। লৈবাক অসিদা অমদি লমদম অসিদা অফবা অওনবা কয়া পুরক্লিবা লুচিংবশিং অসিসু থাগৎফম থোকই। লোয়ননা বি জে পিবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা অমদি ষ্টেট অসিদা হেন্না মরা চেৎপা বি জে পিগী লৈঙাক অমা লৈহনবা ঙম্মনবা মীয়াম্না পার্টি অসিদা ভোট পীবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা উরিপোক কেন্দ্র ৱেলফেয়ের এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট লোইতোংবম রোমেনকুমার, এ ৱাই জে এন আই এস ঐচ-দি রিজনল সেন্টর ভুবনেশ্বর, উদিষাগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ডা. লানু ৱানবোই আইমোল অমসুং য়ুথ ক্লব উরিপোক অচোম লৈকায়গী প্রসিদেন্ট বি শান্তি শর্ম্মনা মথংশিংনা প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা না তাবগী পাঙ্গল শোল্লবা মীওইশিং হিয়রিং মেদিকেল চেক-অপ তৌরবা মতুংদা হিয়রিং এইদ ২০০ রোমসু এল মিনাবন্তনা মীয়ামদা য়েন্থোকখি।

এম এল এ করাম শ্যামনা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): লংথাবল এ সীগী মনুং চন্না লৈবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পায়খৎলিবা ৱাটর সপ্লায় স্কিমশিংগী ফীভম এ সী অসিগী এম এল এ করাম শ্যামনা মরী লৈনবা ওফিসলশিংগা লোয়ননা য়েংশিনখ্রে।

তৌপোকপী ৱাটর সপ্লায় স্কিম, কাঞ্চিপুর ৱাটর সপ্লায় স্কিম, হাওরৈবী ৱাটর সপ্লায় স্কিম অমসুং করাম ৱাটর সপ্লায় স্কিমশিংগী ফীভম য়েংশিল্লদুনা এম এল এ করাম শ্যামনা হায়খি, মতম শাংনা লংথবাল এ সীগী মফম কয়ামরুমদা লৈরিবা মীয়াম্না থক্নবা টোটি ঈশিং ফংদনা লাকপা অদু লাক্লিবা দিসেম্বর থাদগী মপুং ফানা ঈশিং ফংহন্ননবা হোৎনরি। হৌখিবা মতমশিংদা লংথবাল এ সীগী মীয়াম্না থক্ল-চানবা টোটি ঈশিং নীংথিনা ফংলমদবগী মরুওইবা মরমশিং চাদা ৮০ রোম পাইপ তিংলমদবননি। হৌজিক্তি মীয়ামদা ঈশিং নীংথিনা ফংহন্ননবগীদমক পাইপ তিংবগী থবকশিং অয়াম্বা লোইশিল্লক্লে। দিসেম্বর থাদদি মীয়ামদা ঈশিং নীংথিনা ফংহনবা ঙল্লগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ভেক্সিন দোজ লাখ ২১ হেন্না কাপখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লাকশিন্ননবা ভেক্সিনেসনগী থবক অকনবা মওংদা পায়খৎপগা লোয়ননা ঙসি ফাওবদা পুন্না ভেক্সিন দোজ ২১,১১,২২২ কাপখ্রে। মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ দিপার্টমেন্টতগী ফংবা দেটা অমগী মতুংইন্না ঙসি নুমীদাং পুং ৭.৩০ ফাওবদা মণিপুরদা কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ ১২,৬৪,৪২৩ অমসুং অনীশুবা দোজ ৮,৪৬,৭৯৯ কাপখ্রে হায়রি।

চিলড্রেন হোমদা মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): ককচিং দিষ্ট্রিক্তকী কৈরক সেকমাই বরাজ দাম মনাক্তা লৈবা বেকৱার্দ দিভেলপমেন্ট সোসাইটি (বি দি এস) চিলড্রেন হোম ফোর গার্লসতা ঙসি ওনলাইন সোপিং ষ্টোর ‘কেভিস কল্লেক্সন’গী অনীশুবা মপোক কুমওন নুমীৎকা মরী লৈননা কেভিস কল্লেক্সনগী মপু, কেসিয়া লাইশ্রম, শীংজমৈ থোঙাম লৈকায়দা লৈবী অসিনা চেঙ, হৱাই, থাউ অমদি অথুম-অহাওনচিংবা পোৎলমশিং খুদোল তমখ্রে। বি দি এস চিলড্রেন হোম ফোর গার্লস অসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী ৱাংজিংদগী তোংব্রম সোমোরজিৎনা সেক্রেটরি ওইনা নীংথিনা চলাইরিবা নুপীমচাশিংগী হোমনি।

‘নফসাগী চেঙ লেম্না থা ১৫ চুপ্না শুগুনু এ সীগী মীয়ামদা য়েন্থোকখ্রে’

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): শুগুনু এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা নফসাগী মখাদা লাকপা চেঙ থা ১৫ চুপ্না শেল অমত্তা তিংহন্দনা লেম্না চহী অসিগী নবেম্বর থা ফাওবা পীগনি হায়না মীয়ামদা লাউথোকখিবা অদু থবক্তা ওন্থোক্তুনা ঙসি শুগুনু এ সীগী মীয়ামদা চৎলিবা নবেম্বর থাগী চেঙ লেম্না য়েন্থোকখ্রে।

শুগুনু এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী মীয়াম কোভিদ-১৯গী অহানবা ৱেভ অমদি অনীশুবা ৱেভ অনীমক্তা চহী ৫দগী হৌরগা মথক্কী মীপুম খূদিংমক্তা নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট (নফসা) কার্দ পায়বা পায়দবা থিদনা এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা থা খূদিংগী লুপা লাখ ৫.৬৪ পুথোক্তুনা থা ১৫ চুপ্নামী অমমমদা চেঙ কে জি অহুম মখায় লোয়ননা এ এ ৱাই কার্দ পায়বশিংদনা চেঙ কিলো ৩৫/৩৫ থা খূদিংগী শুগুনু এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী মীয়ামদা চেঙ লেম্না পীদুনা ঙসি নবেম্বর থা ফাওবা লাকখিবনি হায়না দিভেলপমেন্ট কম্মিটি, ৱাঙুগী লুচিংবা থৌদাম ধমেননা ফোঙদোরক্লি।

মপোক কুমওন পাঙথোক্তুনা অহলশিংদা কম্বল খুদোল তমখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): শ্রী সত্য সাইবাবাগী ৯৬শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙৱাং সগোলবন্দ তেরা অখাম লৈকায়দা লৈবা কাওবম সাই মন্দিরদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা অহল ওইরবশিংদা কম্বল খুদোল তমদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রে।

তেরাদা লৈবা সাই মন্দিরগী ভক্তশিংনা পুরানা রাজবারি নোংমৈবুংদা লৈবা রাজাদুম্ব্রা সিংহ ৱিমেন হোমদা লৈরিবা অহল ওইরবী নুপীশিংদা কম্বলসু খুদোল তমখি। থৌরম অদুদা শ্রী সত্য সাই বাবাগী মপোক কুমওনগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং ক্ষেত্রিময়ুম সুবদনিনা থমখি।

মহাক্না হায়খিবদা, চহী খূদিংগী তেরা সাই মন্দিরগী ভক্তশিংনা ঈশ্বরামাদে অমসুং শ্রী সত্য সাই রামগী মপোক কুমওন নুমীৎ নবেম্বর ২৩ খূদিংগী ওল্ড এজ হোম, সিনিয়র সিটিজন হোম অমদি চিলড্রেন হোমনচিংবদা মতম-মতমগী ফিরোল, অচা-অথক অমদি শেল ওইনা মতেং পাংদুনা লাক্লি। হন্দক চহীগী ওইনসু অসিগুম্বা মীনুংশিগী ওইবা তেংবাঙ অসি য়েন্থোকচবনি হায়খি।

এক্সিদেন্টতা শোক্লবা পাউমী রোকিদা এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা শেলগী মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): হৌখিবা নবেম্বর ১৫গী নুমীদাংদা মশাগী দ্যুটি লোইরগা যুমদা হনখিবগী লম্বীদা নোংমৈবুং নান্দৈবম চুথেক্তা গাড়ী এক্সিদেন্ট থোকপদগী শোক্তুনা জেনিমস হোস্পিটালগী ন্যুরোসর্জরি দিপার্টমেন্টতা লায়েংদুনা লাকখিবা নহারোলগী থৌদাং পাউচে সিনিয়র রিপোর্টর থোকচোম রোকিন্দা থাংমৈবন্দ এ সীগী এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা শেলগী মতেং পাংখ্রে।

এম এল এ জয়কিষননা কোংপাল কোংখাম লৈকায়দা লৈবা পাউমী রোকিগী য়ুমদা চৎতুনা শেলগী তেংবাঙ অদু পীখিবনি। তেংবাঙখিবা অদুগা মরী লৈননা এম এল এ, কে ঐচ জয়কিষননা হায়খি, মণিপুরদা মীদিয়ানা লৌরিবা থৌদাং অসি য়াম্না চাউই। পাউমী রোকিনা মশাগী মথৌ লোইরগা যুমদা হনবগী লম্বীদা গাড়ী এক্সিদেন্ট থোকখিবা অসি নুংঙাইতবা পোকই। মহাক্কী লায়েংবদা খরদং ওইরবসু মতেং ওইননবা হায়দুনা ঙসি অঙভম্বা শেনফম খরা তেংবাঙ ওইনা পীজবনি। মণিপুর মীয়াম্নসু মীদিয়া পার্সনশিংনা অশোক-অপন নংলকপা মতমদা খরদং ওইরবসু মতেং পাংবীদুনা পূক্নিং থৌগৎপীয়ু।

লমদম অসিবু হেন্না চাউখৎপা, তংদু লৈতাবা অমদি ঈং-তপ্পা লমদম অমা ওইহন্ননবা হোৎনবদা মীদিয়া পার্সনশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি য়াম্না চাউই। মীদিয়া পার্সনশিংনা কথোকপা অমগা লোয়ননা খুন্নাইগীদমক লৌরিবা থৌদাং অসি পূক্নিং থৌগৎনিংঙাইনি। পাউমী রোকিগী অনাবা অথুবা মতমদা ফগৎলক্তুনা হান্নগুম্না মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙম্বা ওইসনু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

এম য়ুগী পেট্রিওটিক সোলো সোং চাংদম্নবদা এস ববিতানা অহানবা তাখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু)না শীন্দুনা ষ্টেট লেভেল ওপন মণিপুর পেট্রিওটিক সোলো সোং চাংদম্নবা ঙসি এম য়ুগী সিনেট হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু হৌদোকপদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টিচর্স এসোসিএসন (মুটা)গী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর দেবানন্দ নিংথৌজম, মুসুগী প্রসিদেন্ট মাইবম মাইকেল, দিন ষ্টুদেন্টস ৱেলফেয়ের ডা. এল বিশ্বনাথ শর্ম্মা অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী কোওর্দিনেটর ডা. রাজ কুমার সুরেশনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী ঈশৈ চাংদম্নবা অদুদা তোঙান তোঙানবা নুপা-নুপী পুন্না মীওই ৩৬না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেভেল ওপন মণিপুর পেট্রিওটিক সোলো সোং চাংদম্নবা অদুদা মকোক মথং তাখ্রবা মীওইশিং অদুদি সিনাম ববিতা চনুনা অহানবা পোজিসন, অনীশুবা পোজিসন তাখিবা অদুনা অবো নিঙোম্বম অমসুং অহুমশুবা পোজিসন্দনা অমরিকা সোরোখাইবমনি। মকোক তাখ্রবা মীওইশিং অসিদা শেল, সর্টিফিকেট অমদি সোলনচিংবা পীখি। চাংদম্নবা অদুদা মীওই তরেৎসু কন্সোলেসন প্রাইজ ওইনা পীখি। মখোয়শিং অদুদি মোইরাংথেম সমানন্দ, লাইশ্রম রোহিট, থাইথুইসিহে গাংমৈ, গ্যানাজেন নামৈরাকপম, সোইবম বোরিস, মোইরাংথেম দিঙ্কু, ওক্রম সোনিকানচিংবনি হায়রি।

দিসেম্বর ১০দা ইন্টরনেসনল হ্যুমেন রাইটস দেগী থৌরম পাঙথোক্কনি : এল ঐচ আর এম

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): লোয়র্স ফোর হ্যুমেন রাইটস মণিপুর (এল ঐচ আর এম)না শীল্লগা লাক্লিবা দিসেম্বর ১০দা মণিপুর প্রেস ক্লবতা ইন্টরনেসনল হ্যুমেন রাইটস দেগী থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়না এল ঐচ আর এমগী সেক্রেটরি (মীদিয়া) এম য়োহেলি চনুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ইন্টরনেসনল হ্যুমেন রাইটস দেগী থৌরম অসিগা মরী লৈননা ভাইওলেসন্স ওফ রাইটস ওফ ইন্দিজিনস পিপল ওফ মণিপুর অফ্টর এন্নেক্সেসন বাই ইন্দিয়া (মণিপুরবু ইন্দিয়ানা লৌশিনখিবদগী মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংগী রাইট মাঙহনখিবশিং) হায়বা টোপিক্তা এসে রাইটিং কম্পিটিসন অমা অমদি হ্যুমেন রাইটস ভাইওলেসন্স ইন মণিপুর হায়বা হীরমদা সেমিনার অমসু পাঙথোক্কনি। এসে রাইটিং কম্পিটিসন অসি ওপন কেটগোরি ওইগনি। এসে অসিদা য়ামদ্রবদা ৱাহৈ লিশিং ২ ওইগদবনি। অদুগা য়াল্লবদা ৱাহৈ লিশিং ৪ ওইগদবনি। অদুমকপু এসে অসি ইংলিসতা নৎত্রগা মীতৈ লোল (রোমান স্ক্রিপ্ট)তা ওইগদবনি।

এসে কম্পিটিসন অসিগী অহানবা মনাদা লুপা লিশিং ১০, অনীশুবা মনাদা লুপা লিশিং ৫ অমসুং অহুমশুবা মনাদা লুপা লিশিং ৩ অমদি সাইটেসনশিং পীজগনি। অদুগা কন্সোলেসন প্রাইজসু পীজগনি। থৱায় য়াওবা মীওইশিংনা এসে কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি। অইবা স্ক্রিপ্ট অদু লাক্লিবা দিসেম্বর ৭কী নুংথিল পুং ২ ফাওবগী মনুংদা বাইও দেটা অমদি পাসপোর্ট ফোটোগ্রাফ অমগা লোয়ননা nooneabovethelaw74@gmail.com দা ঈ-মেল তৌদুনা পীশিনবীরকপা য়াগনি।

অমরোমদা, তোঙান তোঙানবা শক্নাইরবা মীওই কয়ানা ভাইওলেসন্স হ্যুমেন রাইটস ইন মণিপুর অফ্টর এন্নেক্সেসন বাই ইন্দিয়া, ভাইওলেসন্স ওফ সোসল ইকনমিক এন্দ কলচরেল রাইটস ওফ ইন্দিজিনস পিপল ওফ মণিপুর, ভাইওলেসন্স ওফ লেন্দ এন্দ রিছোর্সেস রাইটস ওফ দি ইন্দিজিনস পিপল ওফ মণিপুর, ভাইওলেসন্স ওফ ৱিমেন এন্দ চাইল্ড রাইটস ইন মণিপুর, ভাইওলেসন্স ওফ রাইটস ওফ দিফরেন্টলি এবল্ড পার্সন্স হায়বনচিংবা হীরম কয়ামরুমদসু সেমিনারগী পেপরশিং পাথোক্কনি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

‘বি জে পিগী লৈঙাক লাকপদগী মণিপুর চাউখৎ লম্বীদা খুন্মাং চাউশিল্লে’

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): কোন্থৌজম এ সীগী মনুং চন্না লৈবা নম্বোল ফোইজিং অৱাং লৈকায়দা ঙসি বি জে পি কোন্থৌজম মন্দলগী পোল্লিং বুথ ১৮/৩৯গী পেজ ইন-চার্জগী মীফম পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা বি জে পিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) বি এল সন্তোশনা হায়খি, সেন্টরদা অমদি ষ্টেট অসিদা বি জে পিগী লৈঙাক লাকপদগী মণিপুর চাউখৎ লম্বীদা খুন্মাং চাউশিল্লে। লমদম অসিদা ঈং-তপ্পা পুরক্লে। টেম্পররি ওইবা ইস্যু কয়াবু চাউথোহল্লগা মীখলদা মায় পাক্লনবা হোৎনবা পার্টি কয়া লৈ। অদুবু বি জে পিদি আইদিওলোজি অমদি কেদরদা য়ুম্ফম ওইরগা ইলেক্সনদা মায় পাক্লনবা হোৎনৈ। মরম অসিনা পার্টি অসিগী ৱার্কর খূদিংমক্না লৈঙাক অসিনা পায়খৎলিবা স্কিমশিং অমদি পার্টিনা তৌরিবা থবকশিং মীয়ামদা মমুৎ তানা খঙহনগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দানা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সেন্টরদা লৈরিবা লৈঙাক অমদি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা ষ্টেট লৈঙাক্না মীয়ামগী য়াইফননবা তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়ামরুম পায়খৎলি। স্কিমশিং অসিগী কান্নবশিং মীয়ামদা মপুং ফানা ফংহনবা ঙল্লে। মরম অসিনা মণিপুরবু হেন্না চাউখৎহন্ননবগীদমক বি জে পিগী লৈঙাক অসি হঞ্জিন-হঞ্জিন্না লৈহন্ননবা হোৎনসি হায়খি।

থৌরমদুদা হেল্থকী এদভাইজর টু সী এম ডা সাপম রঞ্জনসু শরুক য়াখি।

এম ও এদা য়ানখিবা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোক্তবদি দাম লৌথোকপীরো : ওর্গনাইজেসন

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): মপিথেল দামনা শোকহল্লবা খুল ২১গী চাউখৎ থৌরাংগীদমক মণিপুর লৈঙাক্না খুৎয়েক পীনখিবা মেমোরেন্দম ওফ এগ্রিমেন্ট (এম ও এ)দা য়ানখিবা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোরক্তবদি দাম অসি লৌথোকপীরো। করিগুম্বা দাম অসি লৈঙাক্না লৌথোক্তবদি খুল ২১গী খুঞ্জাশিংনা অথুবদা থুগায়রগনি হায়না মপিথেল দাম ইফেক্টেদ হেদমেন, চীফস এন্দ এল্ডর্স ওর্গনাইজেসন মণিপুরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

কামজোং দিষ্ট্রিক্ত রিহা ভিলেজদা ওর্গনাইজেসন অসিনা শীন্দুনা মপিথেল দামনা শোকহল্লবা খুল ২১গী অপূনবা মীফম অমনা মথক্কী ৱাফম অসি ৱারেপ্লখিবনি হায়রি। মীফম অদুগা মরী লৈননা পাউমীশিংগা উনবদা ওর্গনাইজেসন অসিগী চ্যেরমেন এম ঙরানমিনা হায়খি, মপিথেল দাম অসি হেক লাকপদগী দাম অসিগী অকোয়বদা খুন্দারিবা খুল কয়াগী খুঞ্জাশিং শুফম নোম্ফম খঙদনা লৈরকখিবনি। হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অমদি মমাঙদা পাল্লম্বা লৈঙাক্না দাম অসিনা শোকহল্লবা খুঞ্জাশিংগী য়াইফননবগীদমক চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎকনি হায়না থাজবা কয়া পীরল্লবসু ঙসি ফাওবা থবক ওইনা মপুং ফানা পায়খৎপা লৈত্রি। খুঞ্জাশিংগী অৱাবা কয়া অসি কোক্ননবা খোঙজং কয়াসু চঙশিনখ্রবনি। মসিগী শরুক অমা ওইনা হৌখিবা ওক্টোবর ৫দগী ৭ ফাওবা ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বীদা বন্দ চথখিবসু লৈখ্রে। খোঙজং অসিগী মখা তারকপদা মণিপুর লৈঙাক্না মপিথেল দাম ইফেক্টেদ হেদমেন চীফস এন্দ এল্ডর্স ওর্গনাইজেসন মণিপুর অমদি জে এ সী এগেনষ্ট ফোর্স কন্সত্রক্সন ওফ মপিথেল দাম মণিপুরগী মরক্তা ৱারোল ১৯ য়াওবা মেমোরেন্দম ওফ এগ্রিমেন্ট অমা খুৎয়েক পীনখি। এগ্রিমেন্ট অদুদা দামনা শোকহল্লবা খুঞ্জাশিংগী লাইভলিহুদ, রিহেবিলিটেসন পেকেজ ওইনা লুপা লাখ ৩/৩ পীবা, ঈশিংনা থুমজিনখ্রবা হোর্টিকলচরগী পোত্থোক, লৌউ-শিংউ অমদি উপাল-ৱাপালশিংগী মমল পীবা, ৱাৎহৌরিবা লেন্দ কম্পেন্সেসন পীথোকপা, টুরিষ্ট সেন্টর শেমগৎপা, ঙামীশিংনা ঙা ফাবদা শীজিন্নগদবা হি অমদি লাইফ জেকেট পীবনচিংবা ৱাফম কয়া য়ানখি।

মসিগীসু মথক্তা এগ্রিমেন্ট অদুদা পল্লিবা ৱারোলশিং অথুবদা থবক্তা ওন্থোক্কনি হায়না থাজবা পীরকখিবনি। অদুবু এগ্রিমেন্ট অদুগী ৱারোলশিংগী মনুংদা মমিংতগী ওইনা থবক তৌরি। লৈঙাক্না থৌশাদবা মওংদা চথরক্লিবা থৌওং অসিনা মপিথেল দামনা শোকহল্লবা খুল ২১গী খুঞ্জাশিংদা খোয়শাউনবা পোকহল্লে। মরম অদুনা লৈঙাক্না য়ানখিবা এগ্রিমেন্টতা য়াওরিবা ৱাফমশিং অদু অথুবদা থবক্তা ওন্থোক্লনবা লৈঙাক্না হোৎনবীয়ু। মখা তানা খুঞ্জাশিংবু ৱাননবা থৌওং চথরক্লবদি মপিথেল দাম অসি থুগায়রগনি। লোয়ননা খুল ২১গী লমশিং লৌশিন্দুনা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা উ পাম্বী থাননবা হোৎনরিবা অসিসু লেপ্পীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ডা. ক্ষেত্রিময়ুম কলানা য়ুম-য়ুম চঙদুনা অহল ওইরবশিংগী হেল্থ চেক অপ তৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হৌদোকখিবা সী এমগী হেল্থ ফোর ওল্ডগা মরী লৈননা খুন্দ্রাকপম এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা ডা. ক্ষেত্রিময়ুম কলানা এ সী অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা য়ুম-য়ুমদা চঙদুনা অহল ওইরবা মীওইশিংগী হেল্থ চেক-অপ তৌখ্রে। অহল ওইরবশিংগী হেল্থ চেক-অপ তৌখিবা অদুগা মরী লৈননা বি পি অমসুং ব্লদ সুগরসু চেক-অপ তৌখি।

ডা. ক্ষেত্রিময়ুম কলানা খুন্দ্রাকপম এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা লম্বোই খুল, কৈবী খুল্লেন অমদি তরেৎ খুলগী য়ুমথোঙ কয়ামরুমদা চৎতুনা অহল ওইরবা মীওই ৫০ রোম চেক-অপ তৌখিবা অদুদা হিদাক-লাংথক্কী মথৌ তাবশিংদসু লেম্না হিদাক পীখি।

অহল ওইরবশিংগী হেল্থ চেক-অপ তৌখিবা অদুগা মরী লৈননা ডা. ক্ষেত্রিময়ুম কলানা ফোঙদোরকখিবদা, য়ুমদগী মপান থোকপা ঙমদনা লৈরবা অমদি ফমুংদা হিপ্পুনা লৈরিবা অনাবশিং অসি ঐখোয়না মতম চুপ্পদা নীংথিনা য়েংশিনবীগদবনি। মখোয়গী হকচাং ফনা থম্বা হায়বসি ঐখোয়গী তৌদবা য়াদ্রবা থৌদাংনি হায়না লৌগদবনি। মীয়াম্নসু সী এম ঐচ টিগী কার্দ নৎত্রগা আয়ুশমান ভারতকী হকশেল কার্দশিং শাবীয়ু। মসিনা অনা-লায়েংগী লমদা লৈঙাক্না পীরিবা খুদোংচাবশিং ফংগদৌরিবনি। মীয়াম্নসু কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লনবা ভেক্সিন দোজ শুনা কাপথোকপীয়ু। মীওই কয়াগী পুন্সি কন্ননবা অমদি অনা-লায়েংগী লমদা হেন্না খুদোংচাহন্ননবা চীফ মিনিষ্টর হৌদোক্লিবা স্কিম কয়া অসিগী কান্নবশিং মীয়াম্না মপুং ফানা লৌননবা হোৎনবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মীটিং কম মাস এনরোলমেন্ট কেম্পেয়্যন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ (ঐচ এন এস): উখ্রুল অমসুং চিঙাই এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী মন্দলশিংনা পুন্না শীন্দুনা বি জে পিগী জোইন্ট ওর্গনাইজেসন মীটিং কম মাস এনরোলমেন্ট কেম্পেয়্যন অমা ঙসি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ত হেদ ক্বার্টরদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস (আই এন সী) অমদি নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ)তা য়াওরম্বা মীওই ৭০ হেনবনা বি জে পিদা নৌনা য়াওরকপদা বি জে পিগী মণিপুরগী ইলেক্সন কো-ইন-চার্জ অশোক সিঙ্গালনা তরাম্না ওকখ্রে।

থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্তকী ইন-চার্জ সী ঐচ চিদানন্দ, বি জে পি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ত অমদি মন্দলগী থৌপুবশিং, উখ্রুল অমসুং কামজোং দিষ্ট্রিক্ততা লৈবা তোঙান তোঙানবা এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সি অহুমদা বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা মীওইশিংসু শরুক য়াখি।